# সী এম হিমন্ত বিস্ব সর্মানা গ্রেনেদ পোকখায়খিবা মফম য়েংশিনখ্রে

গুৱাহাটি, মে ১৫ (এজেন্সী):

অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা থাংজ নুমিত্তা অপ্পর অসামগী টিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্টকী তিংগ্রাই বজারদা চত্তুনা গ্রেনেদ পোকখায়খিবা মফম য়েংশিনখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা তিনসুকিয়াগী দিগবোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা তিংগ্রাই মার্কেট এরিয়াদা গ্রেনেদ অমা পোকখায়খিবগী থৌদোক্তা অতৈ মীওই অনী অশোক অপন নংখিবনি। গ্রেনেদ পোকখায়বা অদুদা শিখিবা মীওইশিং অদুদি মশাগী চহী ২৫ শুরবা সঞ্জিৎ সিংহ অমসুং মশাগী চহী ২২ শুরবা সুরজিৎ তালুক দারনি। মখোয় অনীমক তিংগ্রাই এরিয়াদগীনি।

থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলবশিংদা মোজিৎ দাস অমসুং ঘনাশ্যাম অগরৱালা কৌই। মখোয় অনীমক দিব্রুগরদা লৈবা অসাম মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল (এ এম সী ঐচ) তা লায়েং চথরি।

থাংজ নুমিত্তা তিংগ্রাইদা পাঊমীশিংগা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর মিহন্ত বিস্ব সর্মানা মরাল লৈজদবা মীওই অনী শিহনখিবা থৌদোক অদুদা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি। পাংদবগী থবক অদুদা চেন্নবা মীওই খুদিংমক্কী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না চীফ মিনিষ্টর সর্মানা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি, পাম্বৈ খুদিংমক শীজিন্নদুনা মরা তপ্পা ফীভম লৈহনগদবনি। মীপুম খুদিংমক্তা মফম অদুদা মরা তপ্পা ফীভম লৈহন্নবা ঐখোয়ানা আপীল তৌরি। মীচমশিং শিহনবা অসিগুম্বা পাংদবগী থৌওংশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ঐখোয়না লেম্না থারোই। চৈরকসিদা অসাম গভর্ণমেন্টনা ভিক্তিমশিংগী ইমুংশিংদা লুপা লাক্ষ ৫ গী এক্স গ্রেসিয়র পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।


কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা মমা মপা অনীমক কোভিদ ক্যের সেন্তরদা লৈখ্রবা ককচিংগী অঙাং অনীগীদমক চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং লূপ কয়ানা মতেং পাংবা

# মিজোরাম, নাগালেন্দদা চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী ভেক্সিনেসন হৌরগনি



আইজোল/কোহিমা, মে ১৫ (এজেন্সী):

মিজোরামগী চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী ভেক্সিনেসন মে ১৭ তগী হৌরগনি হায়না ওফিসল অমনা ফোদোরক্লি। ষ্টেট হেল্থ স্পেসল সেক্রেটরি লালরমঙমহকানা হায়, ভেক্সিনেসন অসিদা রিস্ক ৱাংবা মীওইশিং, কুক্কিং গ্যাস দিষ্ট্রিব্যুটরশিং, জর্নেলিষ্টশিং, কোভিদ ট্রান্সপোর্ট ড্রাইভরশিং অমসুং কন্দক্তর, পৱার অমসুং পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিংগী ইমপ্লোয়ীশিং অমদি পোষ্ট ওফিস, ফার্মাসি, ওইল পম্প, বেঙ্ক অমসুং এয়রপোর্টনচিংদবা থবক তৌরিবা এক্সপোজর ৱাংবা মীওইশিংদা মীৎয়েং থমগনি।

ভেক্সিন কোন্নরোইদবনা মরম ওইরগা তাঙ্কক অসিদা বেনিফিসরি খুদিংমক ভেক্সিন কাপ্লোই। হেল্থ সেক্রেটরিগী মতুং ইন্না শগোলশেন নুমিত্তা কোভিসিল্ডগী দোজ ১৬,৩৪০ গী কন্সইনমেন্ট অমা ষ্টেট অসিদা থুংলখি। ষ্টেট অসিগী চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী বেনিফিসরি মশীং লাক্ষ ৫ রোমনি। মপুং ফাবা ভেক্সিনেসনগীদমক ভেক্সিন দোজ লাক্ষ ১০.২ দগী হেন্না চঙগনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ভেক্সিন দোজ লাক্ষ ১০.২ হেন্না ওর্দর তৌখ্রে।

নাগালেন্দসু মে ১৭ তগী চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পবগী থৌরাং কন্না লৌখৎলি। চহী গ্রুপ অসিগী মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পবগী রেজিষ্ট্রেসন অমসুং বুক্কিং ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ দগী হৌখি। ষ্টেট দিরেক্তোরেট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যরগী চেরোল অমগী মতুং ইন্না মে ১২ দা ষ্টেট অসিদা ভেক্সিন দোজ ৩৬,৫৮০ থুংলখি। ভেক্সিনেসন ড্রাইভ অদু মে ১৭ তা সেসন সাইদ ২৪ দা অমসুং মে ১৮ দা সেসন সাইদ ২৮ দা পাঙথোক্কনি। নিংথৌকাবা অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসি দিজিগনেটেদ কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন সেন্তরদা চহী গ্রুপ অসিগী মীওইশিং ভেক্সিন কাপনবগী রিজার্ব তৌরিবনি। চহী গ্রুপ অসিগী অহানবা সাইকলগী ভেক্সিনেসনদা পুন্না দোজ ৭,৪৫০ কাপকনি। ভেক্সিন কাপ্পদবা মীওই খুদিংমক কোৱিন নৎত্রগা অরোগ্রা সেদুদা শোয়দনা রেজিষ্টর তৌগদবনি।

# সিক্কিমদা কোভিদ লাইচৎ কনশিল্লকপদগী নুমিৎ ৭ নি লোকদাউন থম্লগনি

গেংটোক, মে ১৫ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভ মায়োক্নরিবা সিক্কিমদা লাইচৎ অসি কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ ৭ নিগী টোটেল লোকদাউন লাউথোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী লোকদাউন মে ১৭ কী অয়ুক পুং ৫ দগী চৎনবা হৌগনি অমসুং মে ২৪ গী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা চত্থগনি। ষ্টেট অসিগী চাংচত্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা চাদা ২০ হেল্লকপদগী সিক্কিম গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা টোটেল লোকদাউন লাউথোক্কবা ৱারেপ লৌখিবনি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থম্বগী মথৌ তারে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওফিসশিং, রাসন দুকানশিং ষ্টেট অদুদা লৈরিবা দুকানশিং, প্রাইভেট কমর্সেল, ইষ্টাব্লিসমেন্টশিং, ইন্সটিট্যুসনশিং, জিম্নাজিয়মশিং, মার্কেট অমসুং ফেক্তরিশিং লোকদাউন মনুংদা থোঙ লোনগনি।

তৌইগুম্বসুং হীদাক লাংথক, মেদিকেল ইকুইপমেন্ট, ওক্সিজেননচিংবা পুথোকপগা মরী লৈনবা মীওইশিংদি লোকদাউন অসিদা কোমথোক্কনি হায়না ষ্টেট অসিগী ওফিসল নোটিফিকেসন অমনা ফোঙদোরক্লি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্সন মতুং ইন্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ওফিসশিং কোভিদ প্রোটোকেল ঙাক্লগা ওপরেট তৌগনি। লোকদাউন মনুংদা গাড়ী চেনবা, মপান্দা থোক্কুনা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা অমসুং মীয়াম পুনবদা অথিংবা লৈগনি। অদুমওইনমক ইসেন্সিএল সার্ভিসগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি গাড়ীশিং লোয়ননা পাউ চেশিংগা মরী লৈনবা মীওইশিংদি লোকদাউনগী অথিংবনা কোল্লোই।

থাংজ নুমিত্তা অনৌবা কেস ২১৫ দিটেক্ট তৌবগা লোয়ননা সিক্কিমগী নোভেল কোরোনা ভাইরস কেস মশীং পুন্না ১১,০৭০ শুরে। হৌজিক ফাওবদা লায়েংবদা লায়না অসিদগী ফরকপা মী মশীং ৭,৬৪৭ শুরে। ষ্টেট অসিদা লায়চৎ অসিদা শিখিবা মী মশীং ২০৩ শুরে। হৌজিক ষ্টেট অসিগী মীওই ৩,০১২ হোস্পিটালশিংদা লায়েংলি।

# কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী য়েংদুনা অসামগী লালহৌবা উলফানা থা অহুম সিজফয়র লাউথোকখ্রে

গুৱাহাটি, মে ১৫ (এজেন্সী):

অসামগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা আপীল তৌখ্রবা মতুংদা অথিংবা থমখ্রবা ষ্টেট অসিগী লালহৌবা গ্রুপ য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (ইন্দিপেন্দেন্ট নৎত্রগা উলফা (আই)) না থা অহুম সিজফায়র লাউথোকখ্রে।




অউলফা (আই) গী চীফ পরেস বরুৱানা থাংজ নুমিত্তা সাইনো-ম্যান্মার বোর্দরদা লৈরিবা মহাক্কী মফমদগী নাকল নাম্মগী ওইবা থা অহুম চৎনগদবা অদু লাউথোকখিবনি। লালহৌবা লুচিংবা অসিগী মতুং ইন্না সিজ ফয়র অদু খুদক্তগী চৎনরগনি।

উলফা (আই) গী কান্দর-ইন-চীফ অসিগী ৱারোল পল্লদুনা মহাক্কী স্পোক্স পার্সন রুমেল অসোমনা হায়, কোরোনা ভাইরসনা ওইহল্লক্লিবা ফীভম অসি য়েংদুনা উলফা (আই) না ঙসিদগী হৌরগা থা অহুম চুপ্না মিলিটরি ওপরেসন খুদিংমক লেপ্পবা ৱারেপ লৌরে হায়বসি অসামগী য়েলহৌমী মীয়ামদা থম্মোয় শেংনা খঙহঞ্জরি।

তৌইগুম্বসুং লালহৌবা লুচিংবা অসিনা মহাক্কী ৱারোল অদুদা ইন্দিয়ন সেক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং অসাম পুলিসকী ওফিসিএল সেক্সন খরনা উলফা (আই) গী মিংচৎ থিহন্নবা লৌতুনবগী থৌওং চত্থরে হায়না মরাল শীখি।

মমাংদা মীদিয়া রিপোর্ট খরদা অনীবা সী এম হিমন্ত বিস্ব সর্মাগী এজেন্টশিং অমসুং উলফা (আই) গী নিগোসিয়েটরশিংগী মরক্তা ষ্টেট অসিদা মরা তপ্পা ফীভম লাক্কনবা লোন্না ৱারী শান্নরি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। নাকল অনীমক্না সর্মানা সী এম ওইনা ৱাশক লৌবগী মতম ঙাইরি। হৌজিক্তি সর্মানা ষ্টেট অসিগী সী এম ওইরকখিবগা লোয়ননা অলফানসু য়ানখিবা মতুং ইন্না সিজফয়র লাউথোকপগী খোঙথাং অসি লাক্লগনি হায়না লালহৌবা গ্রুপ অসিগী নিগোসিয়েটরশিংগী মনুংদা অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবনি। মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা অসামগী হান্নদি জি পি অমগী মতুং ইন্না হিমন্তনা পরেস বরুৱাগা ঈ পাউ ফাওনদুনা লৈ হায়রি।


## CROSSWORD-3781



**ACROSS**
1 Evaluation (10)
7 Milan opera house (2,5)
8 Group of three performers (4)
10 As well (4)
11 All people (8)
13 Iterate (6)
15 Gambling establishment (6)
17 Roomy (8)
18 Possesses (4)
21 Stalk (4)
22 First letter (7)
23 Thrifty (10)

**DOWN**
1 Donkeys (5)
2 Remain (4)
3 Die of hunger (6)
4 Motherly (8)
5 Capital of Kenya (7)
6 Large sea bird (9)
9 Edible flatfish (5,4)
12 Charm (8)
14 Malleable (7)
16 Style of art associated with Picasso (6)
19 Turn rapidly (5)
20 Bluish-white metal (4)

**Solution 3780**



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3580**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | | | 5 | | | | 6 |
| 4 | | | | 6 | 1 | 7 | | |
| | | | 8 | | | | | |
| | | 7 | | 4 | | 5 | | 2 |
| | 4 | | 5 | | 8 | | 9 | |
| 5 | | 6 | | 3 | | 1 | | |
| | | | | | 5 | | | |
| | | 3 | 7 | 1 | | | | 5 |
| 8 | | | | 9 | | | 3 | |

**Solution-3579**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 6 | 3 | 2 | 5 | 7 | 8 | 4 | 1 |
| 7 | 2 | 1 | 4 | 8 | 9 | 6 | 3 | 5 |
| 4 | 5 | 8 | 6 | 3 | 1 | 7 | 9 | 2 |
| 8 | 3 | 2 | 7 | 9 | 5 | 4 | 1 | 6 |
| 1 | 4 | 7 | 3 | 6 | 8 | 5 | 2 | 9 |
| 6 | 9 | 5 | 1 | 2 | 4 | 3 | 7 | 8 |
| 2 | 7 | 4 | 8 | 1 | 6 | 9 | 5 | 3 |
| 3 | 8 | 9 | 5 | 7 | 2 | 1 | 6 | 4 |
| 5 | 1 | 6 | 9 | 4 | 3 | 2 | 8 | 7 |

## EMPLOYMENT NEWS

EMRS Teacher Recruitment 2021 recruitment.nta.nic.in: Ministry of Tribal Affairs (MoTA) has published EMRS Notification 2021 for selection of Teaching staff for Eklavya Model Residential Schools (EMRSs). The EMRS Teaching staff selection examination 2021 online registration will be start from 1st April 2021 to 31st May 2021.
EMRS TEACHING STAFF SELECTION EXAM (ETSSE) 2021
Name of the Post
No of Vacancies
Trained Graduate Teachers (TGT)
1906
Post Graduate Teachers (PGT)
1207
Vice Principal
114
Principal
173
Age Limit:
TGT: Up to 35 years
PGT: 40 years
Vice Principal: 45 years
Principal: Not exceeding 50 years
Pay Scales:
TGT: Level 7 ? 44900 - 142400/-
PGT: Level 8 ? 47600 - 151100/-
Vice Principal: Level 10 ? 56100 - 177500/-
Principal: Level 12 ? 78800 - 209200/-
Educational Qualification and Experience:
Principal:
(1) Master's degree.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(4) Minimum 10 years teaching Vice principal / PGT / TGT) in a recognized high school/ Higher secondary school / Senior Secondary School/ Intermediate college.
Vice Principal:
(1) Master's degree, and B.Ed or equivalent degree, and Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(2) Minimum 02 years' experience of working on the post of PGT or lecturer at level 8 (Rs.47600-151100) in Central/ State Govt./ Autonomous organization of central / State Govt.
PGT:
(1) 02 years Integrated Post Graduate course in the concerned subject with at east 50% marks in aggregate (OR) Post Graduate with at least 50% marks in aggregate in relevant subjects.
(2) B.Ed.or equivalent degree from a recognized University (Not applicable on PGT IT).
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
TGT:
(1) 04 years Integrated Degree course of Regional College of Education of NCERT in the concerned subject with at least 50% marks in aggregate (OR) Bachelor's Degree with at least 50% marks in the concerned subject/ combination of subject and in aggregate.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Pass in the State Teacher Eligibility Test (STET) or Central Teacher Eligibility Test (CTET) Paper-II, conducted by CBSE in accordance with the Guidelines framed by the NCTE for the purpose.
(4) Proficiency in teaching in Hindi and English medium
Selection Process: EMRS Teaching Staff Selection Exam (ETSSE) will be conducted in Computer Based Test (CBT) Only.
Application Fee:
2000/- for Principal and Vice Principal Posts.
1500/- for PGT and TGT posts.
The fee can be submitted only online through Net Banking, Credit Card, Debit Card, UPI or Paytm Services etc.
No fee for SC / ST / PWD category candidates.
How to Apply: Eligible Interested Indian Citizens apply online through National Testing Agency (NTA) Recruitment Portal (recruitment.nta.nic.in) from 1st April 2021. The last date for registration of online applications is 30/04/2021. The Last date for registration of online application has been extended up to 31/05/2021.

---

Punjab SSSB Recruitment 2021 – PSSSB Recruitment 2021 Apply Online sssb.punjab.gov.in: Subordinate Service Selection Board Punjab Government (PSSSB) invites online applications for recruitment of Junior Draftsman, Revenue Patwari, Zilladar and Irrigation Booking Clerk posts. The last date for submission of online applications is 18th February 2021 (For Advt No.01/2021) and 25th February 2021 (For Advt No. 02/2021).
ADVERTISEMENT NO. 01/2021:
Name of Post
No of Vacancies
Patwari (Revenue) in Dept. of Revenue
1090
Irrigation Booking Clerk (Patwari) in PWRMDC
26
Zilladars in Dept. of Water Resources
32
Zilladars in PWRMDC
04
ADVERTISEMENT NO. 02/2021:
Name of Post
No of Vacancies
Junior Draftsman (Civil)
529
Junior Draftsman (Mechanical)
13
Junior Draftsman (Architecture)
05
Age Limit: 18 to 37 years as on 1st January 2021. For Reserved category Maximum Age as 42 years for OBC and 45 years for SC / ST.
Consolidated Pays:
Patwari (Revenue): ? 19900/- per month
Zilladars: ? 35,400/- per month
Junior Draftsman: ? 25,500/- per month
Educational Qualifications:
Patwari: Bachelor's degree in any discipline. Possesses at least 120 Hours' Course with working experience in the use of Personal Computer or Information Technology in Office Productivity Applications orcDesktop Publishing Applications from a recognized institution or a reputed institution, which is ISO 9001 certified; OR Possesses at least 120 Hours' working experience in Computer Applications from a recognized institution or a Certificate of 'O' Level from the Department of Electronic Accreditation of Computer Course (in short DOEACC). He must have passed matriculation with Punjabi as one of the subject or its equivalent level.
Zilladars: Having passed a Bachelor's Degree Examination or Equivalent from a recognised University/ Institute with Second Division.
Junior Draftsman (Civil): Minimum Matriculation Examination Passed with Punjabi as one o the subjects and Should possess 02 years certificate of Draftsman Civil / Mechanical / Architecture from an Industrial Training Institute (ITI).
Selection Process:
Written Test
Interview
Application Fee:
250/- for SC / BC / EWS Category candidates
200/- for Ex-serviceman & Dependent candidates
500/- for Physical Handicapped (PWD) candidates.
1000/- for General category candidates.
The fee can be made through online payment mode using Net Banking/ Credit Card/ Debit Card.
How to Apply: Eligible candidates apply online only @ SSSB Punjab online application portal. The last date for registration of online applications is 18/02/2021 (For Advt No.01/2021) and 25/02/2021 (For Advt No. 02/2021) up to 5:00 PM







